

*“নীংতম্বা হায়বসি ৱাই শংবগী হৌরকফমনি। ঊচেকসুনি, অহাংবদা, অতিয়াদা পংপাই পাইজবনা হেক মপকচে।”*

*- পাচা মীতৈ*

*(কাপিমাই মমাঙদা পাইবক কংপসু য়াওই, কন্তবসু য়াওই)*

## বৃটিশকী থৌরি কোঙ্গোইদা কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা

**—মুতুম উপেন্দ্রো**

ইমাগীদমক থৱায় থাখ্রবসু
নপারি কয়া হিংলিনে ঙসিসু
নীংতম্বগী অতিয়া মকোয়দা,
অমকপা লৈচিন কুপ্লবা
এটোম, ন্যুক্লিয়র মৈখুলক্তা
থৱায় কৎখ্রবশিং অশেংবা অচুম্বগীদমক,
হিংবগী ফীদমদো মালেমসিদা
অকনবা অথৌবা পোক্লফম
কংলৈ ইমা নহাক্লি।
অৱা’ ফিজং মরুমদা
নপারি নমোম শেৎনঙৈ
থম্মোয় লকা মৈৱায়না
পূক্লিং নুংশুক নুংজানা
করিগী তেংথারি ইমানা?
পাওনা ব্রজবাসি অথৌবা
লানফমদা থৱায় কৎখিবা,
লান্মী কয়ানি ইমাগীদমক
থৱায়না পোন্থা পীখিবা
নীংতম পুন্সি লানফমদা
ফাঁসিগী শগাই কাখিবা
বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেলনচিংবা
অথৌবা কয়ানি।
ইমা কংলৈ নঙগীদমক
ঈগী খুজোক কৎখিদো
মীখা পোনবা হৈনদ্রবা
খুন্নাইসিগী থম্মোয় খুদিংদা
নীংশিংহল্লি নৌহৌননা
কুমজা ১৮৯১গী ওগষ্ট ১৩দা
মমল য়াল্লবা অথৌবশিং
বৃটিশকী থৌরি কোঙ্গোইদা
পুন্সি লৈমন চনখিবা নুমিত্তো
ওগষ্ট ১৩নি।
পোক্লবদি শিবা শোয়দ্রে
অচুম্বগীদমকসু কিফম থোক্তে।
চৎখ্রবা অথৌবশিং কয়াবু নীংশিংদুনা
চঙশিনখি মাঙদা লেপ্তুনা
লিরসি মখোয়গী খোঙ্গুল
হয়েংগী মীরোল অমগীদমক
তুংলমচৎকী লম্বী য়াৎনবা
ঐখোয়সি করম্বা ফিভমদা লৈরি।
মতম চঙনা ৱানা তাঞ্জরকপা
ষ্টেটহুদ ফংবগী নুংঙাইখিবা মীৎকুপ,
অনৌবা আশানা থল্লবা পূক্লিংনা
হরাউ মথোয় কাখিবা
করিবু হেন্না ফংবগে কান্নবা
হামু-হামু তারবদা
ৱাকৎ খুদিং তুংওইনবীরবদা
খোল্লাউ ’মত্তবু তাবীদ্রবদা
মৈচাক হাপ্পা নত্তনা।

## নোঙ্গুম্লক্লব্রনে?

**—মুতুম দেবলা**

নোংমা য়ুংখি কংলাদা
য়ুনিয়ন জেক্কী ফিরাল
মনীং তম্না পাইরম্বা
ইবুধৌ পাখঙবগী
ফিরাল মহুৎ শিন
লম করাম্বা মখোয়না।

মুনবিরদুনা নীংতম্বা
শীজিন্নরদুনা পাঙ্গল
উৎলদুনা থৌনা
তুহৎপীরদুনা অশোনবশিং
শক্লদুনা অচুম্বা
ঐখোয়তনি মালেমসিদা।

নুপা ওইবগী ফিরেপ হোংদ
কৎখি থৱায় ইমাগীদমক
অদুবু পেনখিদ্রেদা!

লানদি শোয়দ্রবনি,
হায়জখিবনি অথৌবা নঙনদি
‘য়াথং অদু তৌখিগনু, ইপূ’
মীওৎ মীনৈগী খাঙঙমদ্রবা
চৈনানা, চুম্মী খনবা য়াথংনা
কেলহনখি অঙৌবা মকোক।

পীরমদ্রবা য়াথং
খোইদৌ মাবু ফাথ
ইরম্বসু য়াই হেন্না চাউথোকচবা
পুৱারী অমা।
খূত্তা থাঙশাং পায়
মায়োক্লখি য়েক্লবা
লেপখি থৌনা ফনা
শিনি খঙনা লানফমদা
থাখি থৱায় মরৈবাককীদমক।

ও, কয়াদা পেঞ্জরমগদবা!

নাপল তৌবা মখোয়না
হুকচিনখি থৌরি কোঙ্গোই
মাঙহনখি থৌনা পূম্বা।
নখোয়না চৎখিবা খোঙ্গুল য়েং
লিজরদুনা খোঙ্গুল
ফংজরে ‘কংলা’ ঙসিদি।

হে অথৌবশা!
অনৌবা শায়োল লৌ
নোঙ্গুম্লক্লব্রনে?
হংলিনে,
মতম মাবু হঙ্গৎনা য়েংজ
হাংলদুনা সনাই থোঙজাউ
পূম্নমকপু ওক্কে খন
চঙলকপদো অমত্তা ওইনা।

## কুমজা ১৮৯১ ওগষ্ট ১৩

**—ৰী মঙাং**

নীংশিংবৈ ঈচেলদা পুরক্লি
ওগষ্ট থানা লাকপদা
কুমজা ১৮৯১ ওগষ্ট ১৩
খুন্নাইসিগী নীংতম্বৈ লানফমদা
বৃটিশকী থৌরি কোঙ্গোয় হুকখিবা
নোক্লা ফাঁসি শগায় কাখিবা
থঙ্গাল জেনরেল, টিকেন্দ্রজিৎ
ঈরৈপাক কঞ্জনবৈ থৌনা উৎথোকপদা
থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা
খূৎতা থাঙশাং পায়রগা
চাউরবা বৃটিশ সম্রাজ্যগী
বোম তোপকা লম্বা তৌখিবা
বোমগী মৈনা ককখিবা
ঙম্লরোইদ্রা য়েক্লবশিংদু খনখি
উবদা অকি-তুজুং ফাওহনখিবা
অথৌবশিংগী থৌনা লিংজেল উবদা
তরায়না খুদুম চনবদি ঙমখিদে
শেংলবা কংলা লাইফমলেন্দা
লমহেল্লবা বৃটিশ লান্মীশিং
থৌরবা থাঙশাং পায়দুনা
লানলুম চোমাই লৌদুনা
পুন্সি পীখম্নহনখিবা থৌদোক
মরু মরৌ চাউবা বৃটিশ
মরুপ-মপাং শারগা
অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা
পীক্লবা চীংলৈপাক মণিপুর
মরোমদোম নীংতম্বা পামজবা উবদা
খুদুম চন্নবা লানফমদা
অচৌবা লানফম ওইখিদো
খোংজোম তুরেল য়াইফবী
ইমা নঙগী নথানুংদা
ঈনা লৌকোঙ চেনখিবা
খুন্নাইসিগী কাউঙমদ্রবা লানফমনি
খেবা চীং নহাকসু
কয়া ৱানা খাঙলমগনি
লোন থোকপা ঙমদনা
পাওনা ব্রজবাসিনা অরোইবা
য়াহিপ তানখ্রবদা
ওগষ্ট থানা লাকপদা
নীংশিংলকই নৌহৌননা
কুমজা ১৮৯১ ওগষ্ট ১৩।

## কচ্চবা

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

মোংফমথক্তা য়াহিপ তানখ্রবা
পোক্লফম ইমাগী মখুয়া খাদা
থৱায়না লৈরাংগুম কৎখ্রবা
অথৌবা নখোয়গী নখুয়াদা
কচ্চরি পিরোইননা নীংশিং মৈরাসে।

অথৌবা নখোয়গী ঈখেংতনা
মালেমগী লৈমায় থকসিদা
অঙাঙবা লৈরাংগুম কৎখ্রবা
অথৌবা নখোয়গী নফমদা
কচ্চরি চল্লবা থম্মোয়গী পিরাংসে।

ইরৈবাক ইরমদমগীদমক্তা
থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা
ফাঁসিগী শগাইবু লৈগী দোলাইগুম খনখিবা
হে অথৌবা হে পাঙ্গনবশা
কৌজরি পাঙদ্রবা নরোই ননাওশিংনা।

হল্লকখো লাকখোনে নখোয়বু
থৌনা, পাঙ্গল, লৌশিং হাপ্পীরখোনে
পুমচাই চাইরবা মৈতৈ লৈকোলসে
খোমজিনবীরখো, শেমজিনবীরখো লাকখোনে
মৈতৈ পোকপী ইমানা তেংথারিবসে
তাদ্রবরা থেমজিনবীরখো কায়র থম্মোয়সে।

## ওগষ্ট থানা লাকপসিদা

**—চিঙ্গাংবম সঙ্গায়জাওবী**

পূক্লিং অসি নৌথোরকই
পুৱারীগী লমায়দা লাচনখ্রবা
থৌদোক কয়াবু নীংশিংলকই
মীপাইবা ফাওই পূক্লিংসে
করি অমুক থোক্লগবা!
ওগষ্ট থানা লাকপসিদা।

মীয়ামগীদমক, ইমা লৈবাক্কীদমক
থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবা
থৱায়শিংদুবু নীংশিংলকই
চোংথোরকই মীৎমাঙদা
ময়েক লানা অমমমতং ওইনা।

খল্লকই পূক্লিংদা মওল মওল

## হে অথৌবা যুবরাজ কোয়রেং

**—এম মধুবালা**


হে অথৌবা যুবরাজ কোয়রেং
মিৎলু পিরাং কংনাইদ্রবা
নহাক্কী নীংশিং কুমওনসে
লাক্লেনে ঙসিসু নৌহৌননা।
ঙসিগী শেংলবা অয়ূকসিদা
কচ্চরি লৈরাং খুজোক-খুজোক
শেংলবা মিৎলু পিরাংতনা
চল্লবা খুদোলনি লৌবিয়ুকো।
পোক্লফম ইমা মণিপুরবু
য়েক্লা খূত্তগী কন্নবা লানফমদা
থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা খিবিকও!
কাউররোই পুন্সিদা নখোয়গী থৌনা।
নখোয়গী থৌনা নখোয়গী লিংজেলদো
য়াওরিনে ঐহাক্কী হকচাংদসু
ঙাক্কনি ঐখোয়না ঈরৈবাকসে
ঐখোয়গী পাঙ্গল থৌনাতনা।

# Tentha

### A study in transformation of a village

### (খুঙ্গং অমবু মনুং থীৎনা য়েংলিবা লাইরিক অমা)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | তেন্থা : এ ষ্টদি ইন ত্রান্সফোর্মেসন ওফ এ ভিলেজ |
| মখল | ঃ | রিছার্স ৱর্ক |
| অইবী | ঃ | ডা. এম বলরাম সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | সাহিত্য য়োকখৎ কাঙলূপ, তেন্থা |
| পাউদন্নিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |



**তেন্থা**। খুল অসিবু খঙদবা, তাদবা মী লৈরমগনি থাজদে মণিপুরদা। অদুবু ঐখোয় কনানসু খুল অসিগী মনুং থীৎনা খঙনবদি হোৎনরুদে। থিরুবা তারবদি খঙগনি, মীগা লাইগা শম্নরিঙৈদগী লৈরক্লবা, লাইনা থাবা লমদম অমনি হায়বা। নোংপোক চীংশাংদগী হৌরকপা ৱাংজিং তুরেলনা ঈকোপ পাৎ তম্লকপদা তেন্থা খুঙ্গং তঙ্খায় খায়দুনা চেল্লি হায়বসিফাওবদনি ঐখোয়না খঙনরিবা। কমদৌনা তুরেল অসিনা চীংদগী কিলোমিটর ২৩ শাংনা চেন্থরক্লগা ৱাংজিং লমদিং য়ৌরকপদা খাঙঙবোক তম্না চেল্লম্মী, মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তি হাক্তক্তা শামুফাওবা পুথদুনা চুমদ্রিংনা নোংচুপ পাংনা তৌরম্বনি হায়বসিদি কনানসু থিনরুদে। নিংথৌগী বর ফংলবা, জননেতা ইরাবতকী তাং-উ-বো চীংমায়দা লৈবা মোংফমদগী লৈবাক লৌরুদুনা তেন্থাদা নীংশিং খুভম থমদুনা তীর্থ অমা ওনখ্রবা খুঙ্গংনি হায়বসিসু কনানসু থওইনরুদে। খুঙ্গং অসিগী পুৱারীগা খ্বাই নুংজেং পিবাগী ৱারীগা শম্নে, তেন্থা খুঙ্গংদা কংলা লৈ, লমদমসি মৈহৌরোলদা পাৎ ময়াম্না পূমকোয় কোয়শিল্লম্মী হায়বসিসু কনানসু থওইনা হংনরুদে। অদুবু লম্মীৎ-তুম্মিৎ থিবদা চোকথবা লৈখিদ্রবা অহল ইবুংঙো সরাংথেম বরমনিগী ‘লম্মিৎলোন’ কৌবা লাইরিক্তদি অসুম্না ইরি, “তাউহুইরেং অহনবনা থোরকপা উবদা খ্বাই নোংজেংবনা লিরি থম্মোয় তিং লাকা তেন্দম লাক্লা তেন্দম্বদা লাঙ্গোই খোঙনেৎ শগোলগী মথাদা তেলনা পানবদা তেঞ্জিন তেক্কুনা তারকই হায়দুনা লমদমসিবু ‘তেনতা’ হায়বদগী ‘তেন্থা’ কৌনখি।” করম্না থাজদে হায়গনি।

ঐনা ৱাফম খরসি কোইথোকচরুবগী মরমদি ঙসি পাব ফংজরিবা লাইরিক অসিনা পীবা ঈথিল অদুনি। তেন্থাবু মনুং থীৎনা খঙগে হায়রবদি পাদবা য়াররোইদবা লাইরিক অমনি। ওন্থোক্লা মচা খায়না, মিথ, লিজেন্দ, পূম্নমক থিরুরগা, মালেমদা চৎনরিবা লম অমগী খুঙ্গং অমগী নৈনরোল শেম্লকপদা চঙবা কাঙলোন পূম্বা পানশিল্লগা, জিওগ্রাফিকেল, টোপোগ্রাফিকেল মচৎ অমতা ৱাত্তনা খঙনা ইরকপা লাইরিকনি। মসিমা ইরম্বদা মমিং লাচল্লদবা থৌদৌনি। ইরিবা স্কোলর মশামক জিওগ্রাফিদা ডোক্তরেট ফংলবা, কলেজগী ওজা ওইনা, প্রিন্সিপাল ফাওবা ওইরল্লবা মমুৎ তাবা জ্ঞান লৈরবা ওজানি। মহাক অদু ওজা মোইরাংথেম বলরামনি। তেন্থাদা পোকচবা, তেন্থাদা চাউজবা, খুঙ্গংসিগী অকোয়বগী, পাৎকী, তুরেলগী ঈৱায়-ঈনিলনা মশাদা য়ৈরবা মীশকনি। তেন্থাগী অচঙবা থৱায় মশীং থীরকপদা য়াওরগদবা স্কোলরনি। ওন্থোক্লা মচু তানা পুথোক্লকখ্রে হায়না খল্লি। মণিপুরদা লৈরিবা খুদিংদা মোদেল ওইহৌরদৌবা লাইরিকনি। লম অসোমদদি ওজাসিনা মাঙজিন থারে হায়বসিদা য়েৎনগদবা মান্দ্রে।

তেন্থা লমদম্বু মশক তাকপা মীওই কয়া পোকখ্রে। হিংলিবা খরা পনবা তারবদি কমরেদ নর, এম এল এ ওইরম্বা হেমন্তা, অইবা লক্তা রাজেন্দ্র, প্রিয়ব্রত, ইবোসনা, নহাদা রাকেশ নাওরেম পনবা য়াই। মোইরাংথেম শাগৈ ঙাক্তনি, ইবোসনা নত্তনা। মোইরাংথেম শাগৈবু থাগৎফম থোকই, ঙসিসু থোক্লক্লে ওজা বলরাম। ময়ামসিদগী ওজা অসিনা ইতোপ তোপ্পী। মশাগী খুঙ্গংবু মনুং থীৎনা মশক তাক্লবা হোৎনরি। মাগী থবকসি তরাইনা লৌরুবা য়াদ্রি। সাইন্টিফিক টেম্পর য়াওরি। ফেক্টনা পিক থল্লি। মালেমগী কাচিন অমদা লৈবা মীওই অমনা তেন্থা থিরকপদা কনাদসু হংলমদনা লাইরিকসিমতং ইন্টরনেটতা পারগা খঙবা ঙম্লগনি। ৱাংজিং তুরেল মরিন ইন্না কিলোমিটর ৭তং লাক্লগা অদুম য়ৌরক্কনি অইবগী নাক্তা। থাগৎনীংঙাইনি।

লাইরিক অসিদা ৱাহৌদোক থারগা চেপ্টর ৯ য়াওরি। ৱাহৌদোক্তা ওজা অসিনা লাইরিকসি ইবগী পান্দম ফোঙদোক্লি। মদুদা থেংনবা প্রোব্লেমসু উৎলি। লোয়ননা মানা ফংজরুবা, মতেং লৌবা সোর্স ময়ামদু অমতা চিংখদনা পল্লি। ফনা মচা তারি। অনীশুবা চেপ্টরদা খুঙ্গং অসিগী পুৱারী ইরি। স্কোলর সরাংথেম বরমনিগা মত চপ মান্নরি। ওজাসিনা পীরিবা অসিনবু মপূং ফাবা ওইনা উরি। বৃটিশ লাক্ত্রিঙৈদা, মৈদিংঙু খাগেম্বা মতমদা তেন্থাগী মীয়াম্না কাওরেননোন্থা খোঙলম তৌখিবা, থোং শাখিবা পূম্বা পল্লি, অদুগী মথক্তা হৌজিক লৈরিবা তেন্থাগী রিং রোদ অসি ১৭৬৬তা মৈদিংঙু চিংথংখোম্বগী হাক্তক্তা শেমখিবগী ৱারী পল্লি। ইতিহাসকী লমায়দগী লৌথোক্তুনা ১৮৯১দা Capt. Dun না ইরম্বফাও Quote তৌরি, "Tenta is a Manipur Village on the Arung stream, on the eastern edge of the main valley. It has 25 houses with a total population of 125." মসিদগী ঐখোয়না খঙঙি মদুদি চহী ১২০গী মনুংদা তেন্থানা কয়াম চাউবা খুঙ্গং অমা ওইরক্লিবনো হায়বদু। ২০১১গী মীকোক থীবগী মতুং ইন্না মীশিং ৯০৮৭ শুরে হায়রি। মসিগী মনুংদা নুপানা ৪৪৮৩ অদুগা নুপীগী মশীংনা ৪৬০৪ নিসু হায়রি। কয়া কূপ্না ইখ্রবনো।

অহুমশুবা চেপ্টরদনা অমুক্কা হেন্না কূপখ্রে। তেন্থা খুঙ্গংগী Longitude অমসুং Latitude, Raifall, Physical feature, Natural habitation শুনা য়াওরে। তেন্থা অচৌবা খুঙ্গংনি হায়রি, হেক্টেয়ার ৮৮৫.৯০নিসু হায়রি। সমুদ্র ঈমায়দগী ফুট ২,৬০০ ৱাংবা মফমদা খুন্দাবনি হায়রি। অতোঙবা চীং অমসুং লৈতোংনা ২৫.২০%নি হায়রি। পাৎকী লমনা ১৭.০%নি হায়রি। লৈকায় ৯নিসু পল্লি। ফনা কূপ্না থিজিল্লে হায়নীংঙি। পূম্নমকসিগী মথক্তা ৱাংজিং তুরেলনা ঙাওরক্লবদি তোর্ব্বান পাথোক্লকপগী অৱাবা কয়াদুসু চিংথরমদ্রি। অইং-অশাগী মতাংসু চিংখদে, ৩৩°C তগীনা ২°C ফাওবদা লৈবা লমনি পল্লি। নোং তাবগী চাং ওল্লি, নীংথমগী নোংজু ফংইসু হায়রি। তশেংনা তেন্থাগী অসুক কূপ্না থিজিনবদি ঙসি ফাওবদি উদ্রি হায়নীংঙি।

মরিশুবা চেপ্টরদা Demographic Structure ফজনা ইরি। অনেম-অৱাংগী মতুং ইন্না, মী কূংবা, লনবা, চহী কয়াগী রেকোর্দ পীরি। অদুগী মথক্তা মীয়ামদুগী হিংনবা শূরিবা থবক্কী মতুং ইন্না মীওই মখল কয়াসু খায়দোক্লি।

মঙাশুবা চেপ্টরদদি মীওই কয়াগী হৈনবী মথৌ, হিংনবা লানফমদা শূরিবা থবক ওন্থোক্লা মচা খায়না উৎখ্রে। লায়রবগী মখাদা লৈবনা কয়াম, ইনাক খুনবনা কয়াম ফনা কূপ্না ইরে হায়নীংঙি। থবক মপূংদি লৌ উবনা মপূংনি হায়রি। লৌ উবগা মরী লৈনবা খূৎনেক শূবা কাঙলূপসু পীরি, য়ূমগী ফিশা-লোনশা তৌবা, য়ূমদা শূবা কাঙলূপ অমসু পীরি। হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইরিবদি তেন্থাগী নুপীশিং নুপাশিংদগী তাথদনা থবক শূবা ঙম্বা অসিনি। নুপানা ২৫৬২ ওইবদা নুপীনা ২৭১৫ ওইবা অসিনি। লৌ উবা য়াবা লমসু চাদা ৬৭মুক্তনি হায়রি। অদুবু অয়াম্বনা লৌরোক অমুক্লা লোইশিন্নে হায়রি। মায়কৈ অসোমদা য়েংলুরবদি নোংচুপ হারমদা লৈরিবা খোইজুমান, তৌবুলগী মতৌমক্তি ওইদ্রি হায়নীংঙি। থোংজাউরোক তুরেলগী মপান্দগী খুঙ্গং অনীসিদি চহী চুপ্পা শংদুনতা লৈরবনি। মসিদা ক্বাসিফাই খুলসু য়াওরি। অদুবু তেন্থানা হেনবা অমতং হায়রবদি ঈন শাবা, লোংথ্রাই শাবা খূৎলোইবা অসিনি।

৬শুবা চেপ্টরদা তেন্থা খুঙ্গংগী নাৎকী ওইবা, ধর্ম্মগী ওইবা থৌদোক ৱাথোক মমুৎ তানা ইরি। মৈতৈ খুঙ্গং পূম্নমক্কী চৎনবী অদু তেন্থাদসু অদুম চৎনরি। গৌরিয়া লাইনীং, সনামহী লাইনীং অদুম পূন্না লৈমিন্নবা উৎলি। মরুওইবা কুম্মৈদি ইকোপ নিংথৌ হরাউবা, লিয়াংলৈমা হরাউবনা ওইরি হায়রি। য়াউশঙ অদুম অতৈ খুঙ্গংগুম পাঙথোক্লি। কাং চিংলি, কৃষ্ণ জন্ম, থৌরানি জন্ম, দুর্গা পুজা পাঙথোক্লি।

চেপ্টর অসিদা খুঙ্গং অসিগী লাইরিক হৈবগী চাংসু উৎলি। ১৯৬১দা ১৮.৭৬% ওইরম্বদগী ১৯৯৮দদি ৫৬.১৬% দা হাইগৎলকপা উৎলি। ১৯৫৯ ফাওবদা খুঙ্গং অসিদা মেত্রিক ঙম্বা অমতা লৈরমদবদগী ১৯৬৪দদি বি এ পাস তৌবা লৈরে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা তেন্থাগী ওইনা হায় স্কুল অমখক লৈরি। হকশেলগী লমদদি তেন্থা খুনৌদা লৈবা দিস্পেন্সরি অমখক্তমক লৈরি। অদুবু খুঙ্গং অসিগীদি ডাক্তর ৩ লৈরে, হোমিও ডাক্তর ২ লৈরে তাবদা নুংঙাইবা পোকই।

৭শুবা চেপ্টরদদি তেন্থা খুঙ্গংগা অতৈ লমদমগা তৌনবা চথোক-চৎশিনগী লম্বী অমদি গাড়ীগী মতাংদা কূপ্না পাউদল্লি। অইবনা তেন্থাসি ঈকোপপাৎ, খরুংপাৎ, তেন্থা পাৎ, লৌশি পাৎনা পূমকোয় কোয়শিনবনা অতৈ খুঙ্গংগা শম্নবা ৱাবগী মতাং পল্লি। নাপী, তৌ, শীংনাংনা মংবখৈ হৌবনা লিন-কাঙগী মকোল ওইনা তৌরকই হায়বা থম্মোয়গী পাউদমসু পীরি। শঙ্গাইয়ূম্ফম ফাওরগা চৎপা, ৱাংজিং তাবা খোঙলম্বী অমনা চথোক-চৎশিনগী মরুওইবা লম্বী ওইরম্মী হায়রি। অদুবু হৌজিক্তি (১) ৱাজিং তেন্থা রোদ, (২) মোইরাং পল্লি রোদ শেমগৎতুনা কোয়লাস থারবা লম্বী ওইরে। বস চঙলে, ৱাংবল, খাঙঙবোক শম্নদুনা নুংঙাইবা পুন্সি লেল্লে হায়রি।

কম্যুনিকেসনগী মতাংদসু মণিপুরগী অতৈ খুঙ্গংগুম তেন্থা খুঙ্গংসু খুদোংচাদবা মায়োক্লবা উৎলি। সব-পোষ্ট ওফিস অমতং ৱাংজিংদা লৈরিবা অদুনা খুঙ্গং ১০ মুক সেবা তৌরি হায়রি। টেলিগ্রাফকী মতাংদদি থৌবাল য়ৌবা তাই হায়রি। টেলিফোনদি তেন্থাদা নত্তনা থংনবা খুল খরফাও শমজিন্দ্রি হায়রি। ৱাংজিংদা লোইশিনখ্রে পাউদল্লি। অদুবু পাউচেনা, মোবাইলনা অচৌবা মতেং ওইদুনা মপান লমগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন উপাই ওইরি হায়না থম্মোয় শেংনা পাউদল্লি।

অদুবু ৮শুবা চেপ্টর অসিদদি অনৌবা তেন্থা খুঙ্গং অমগী মপাউনি অইবনা তল্লিবা। পুমনৌ নৌবা, মতমগী নুংশিৎ য়ৌরবা, ইম্ফাল-লৱায় খায়রক্ত্রবা মতমগী তেন্থাগী পাউনি। ৯শুবা অরোইবা চেপ্টরদা অইবনা Galpin theory অমা পুশিল্লকই। Ruban Centres কী ৱা পল্লি। মঙলানগী খুঙ্গং অমগী আশা পীরম্লগা লোইশিনখি। ওজা বলরাম পোকপগী মহয় য়াল্লবনি। কুইনা পুন্সিবা ওইরসনু।

# গঙ্গা জল

**ঙসিদি** সনাহনবীসে কয়াদা ফজরবনো। মনিংগী সোইবম শামুগী মচানিপা লুহোংবা য়াওবা চৎকদৌরিবনি। মাঙ্গোলগী অৱাংদা থারিবা লীগী চৌক্রিদুদা কেবা লোইরদুনা ঙাইহাক ফল্লি।

ফনেক থম্বাল লৈখোক অয়াকপা অমা মকোয় চপ মান্ননা শেৎলি। নমথাঙ খুৎহৎকী মচু তানা শুরবা অঙৌবা ফিনা মওং তানা য়েৎকী লেংজুমদা খরা শুপকৎতুনা ইল্লি। লাইবক্তা থিল্লিবা অশাংবা চন্দনদুগী ময়ায়দা শিন্দুর অঙাঙবদু পীক্লা, শাংতক্লা রাশি হাপ্পগুম নমই। কুখুর মথাঙ অনীনা নাদা, মরৈ পরেং অফাংবীনা ঙকশমদা, য়েংবদা ওন্থোক্লা হেক ফজরে। মোন্দা নুংঙাইদুনতা লাকপী সনাহনবীনি। ঙসিদি মতম চঙনা কেরবা মতুংদা খজিক্তং ঙল্লিমাল্লে খন্দুনা ঙাইহাক লৈথোক্লে।

ইবোতোম্বী মাঙ্গোলগী ফমেনদা থাবা অরাম চৌক্রিদা ফল্লি। মকে শেম্বা লোইরদুনা ফল্লিবী মাগী নুপীবু নুংশিনা য়েংলি। মীৎয়েংসি নহানমখৈ মান্নদবা মীৎয়েংনি। অসুক কুইরবা য়ুম পানবগী চহী কুম্থ্রানিপানসে সনাহনবীবু য়েংদুনতা লাক্লবনি। অমুক লক্লবা অমুক শাউনবা কয়ানি, শাংলবা য়ুম্বাল পুন্সিসিদা। অদুবু ঙসিগী ইবোতোম্বীগী অর্থ লৈরবা মীৎয়েং, সনাহনবীদি করিসু খঙদে।

ইবোতোম্বীদি খঙলবনি, মাগী নুপীনা অসুম্না কেবসি ঙসিনা অরোইবা ওইরগনি হায়বসি। ঙরাং মচানিপা অহলগা মশাগী চেক তৌবা চৎলুবদা মাগী মতম কুইদ্রে হায়বসি খঙলবনি। ডোক্তরনদি মঙোন্দা হায়য়ু হায়বা অহানবদা য়াখিদে। অদুবু মশানা পূম্নমক খঙলবা অশিংবা মীনি। অচুম্বদু মানা ঙম্নবা খঙদোকখি। য়াল্লবদা থা অহুমগী মতমনি, অরোইবা কেন্সরগী তাঙ্ককনি।

কনামত্তদা খঙহন্দ্রে। মচানিপাগা মাগতমক খঙই। মমাবু খঙহন্দনবা ইবোতোম্বীনা মচাদা কন্না শিন্নখ্রে। সনাহনবীনা হংবদদি খুমখি-

“কৈসু লুবা অনাবা নত্তেদা- হিদাক খরা চারগা পোথারগা ফরনি।”

সনাহনবী হরাওজৈ- কৈসু লুবা অনাবা নত্তে হায়বদুদা। মসিগী মমাঙদসু খরা খরা নাবা য়াওখি, হিদাক চারগা অদুম ফখিবনি।

ইবোতোম্বীদি করিসু নাদবগুম ফল্লি। অদুবু মাগী মশা মনুংদা অচাকপা মৈফু অমা লৈবগুম্না চাক্লিবা মৈশাদুদি কন্না খাঙবা হোৎনরি। খাঙবদা ৱাখ্রবা অনাবগী মৈচাকনি। মপুরোইবা লৈ হায়দুনা কেরদুনা ফল্লিবী সনাহনবীদা মুন্না য়েংলি। নুংঙাইতবা ফাওই মাগী থম্মোয়দা, মানা লৈত্রবা মতুংদদি সনাহনবীসে অসুম্না অমুক কেজররোই খল্লুবদা।

ওন্থোক্লা নুংঙাই য়াইফনা হৌজরকপী সনাহনবীনি। মাগী মনাক্তা লাকপদগী অনৌবা পুন্সি মরেল, চীং-মান্দা, খুঙ্গংদা সমাজ সেবাগী তুং ইল্লকখি। নোংমতা ফাওবা ৱায় হায়দে। মাগীদমক হোৎনবদা কয়াদা ৱাজবা। করি চানি, করি শেৎকনি, নোংমতা মীয়াম মাঙদা থোকপদা ফি-রোল মচু তাদবা য়াওখিদে। লংজম শেৎচরবসু মচু তানা ঈশিং মনম নম্না শেৎহল্লি। হৌজিক ফাওবদা মশাগী খঞ্জদে। ইবোতোম্বীগী সেবা, চাবা থকপা পূম্নমক শেন্নে। চাক চাবা খুদিং মনাক্তা ফমদুনা চামিন্নে। শিংজু পামজবা ইবোতোম্বীগী শিংজু ময়ান লৈকায় থুংবমখৈ থিদুনা থম্মী। পূম্নমকসি লোইনা খঙই ইবোতোম্বীসু। অমনা অমবু থাদোকপদা ৱাগনি খঞ্জে। অকনবা লীপুন অমনা পুনখ্রবা মরীনি।

ইকুই কুইররোই, মাদি সংসার থাদোক্লনি। অসুম্না সনাহনবীবু থল্লম্লগা, মাগী থৱায়না হকচাং থাদোক্লমগনি খল্লুবদা ইবোতোম্বীগী থম্মোয়দা খাঙবা ঙমদ্রবা মৈচাক অমসু ফাওই। অনাবগী মৈচাক্লা, থম্মোয়গী মৈচাক্লা অনীসি পাদুনা মশা মনুংদু পুমশা শারে।

নোংম-নোংমগী মথং মথং ইবোতোম্বীগী ফীভম শোকচিল্লক্লে।

“করি লায়নানো? মপান্দা চৎলগা ফননবা য়েংথোকসি।” সনাহনবীনা মচানিপাদা তকই।

মচানিপানসু ওৎলৈ পালৈ খুমদুনা লোৎলি। অশেংবদি মমাদা হায়দোক্ত্রে।

অহিং খুদিং তূম্বা য়াদ্রে। সনাহনবীদি মীৎ কল্লা অমফাও উইশিনবা ঙমদ্রে। মপুরোইবগী মনাক্তগী হেন্দোক্তে। মানবু মনাক্তা ফম্লদি লাই ফাওবনা পুখিবা ঙম্লোই খল্লি।

অকনবা মপং চাবা ঙমদ্রে। মহী ওইনা অয়াম্বা থকই। নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা ঈশ্বরবু থাজবা, অচুম্ববু পামজবনি। তোয়ন তোয়না তীর্থ চৎলম্মী। সনাহনবীবুসু কয়ারক পুবিখ্রে। বৃন্দাবন, হরিদ্বার, ঋষিকেস, নবদ্বিপ, ক্ষেত্র, লোইনা কোয়রুরে। খোঙচৎ খুদিংদা অতৈ পুরক্ত্রসু, গঙ্গা জলদি শোয়দ্রে। গঙ্গা জল হাপ্পা পাত্র, পরেং পরেং য়ুমদা শেল্লিবা মন্দির মচাদুগী মনাক্তা থমই।

ঈশিং হেক খৌরাংলকপদা গঙ্গা জল ওইনা হংই। সনাহনবীনসু য়াম্না থাজনা নুমীৎ খুদিংগী ইবোতোম্বীদা গঙ্গা জল পীথকই। গঙ্গা জল থক্লদি ইবোতোম্বীসু মপাঙ্গল খরা কনখৎপোই নীংই, সনাহনবীসুনি।

ঈশিং ইল্লমদাই খুদিং ঈশ্বরগী মফমদা কৎলগা ইল্লি। য়োৎপা ৱারবা খনাউদুনা, ৱানা ৱানা গঙ্গা জল য়োৎনবা হোৎনৈ। চামচ মঙাগকা থকপা ঙম্লবদি সনাহনবীনা হরাওজৈ।

অহিং খুদিং, মনুংদা চাক্লিবা মৈচাক খাঙবদা ৱারে। চাকখাউদা করিমত্তা তাবা য়াদ্রে। অদুবু সনাহনবীগী পূক্লিংদি হনবা লৈতে। নুমীৎ খুদিং গঙ্গা জল খরদং ওইরবসু ইল্লি। শেংলবা ঈশিংসিবু লেপ্তুনা থক্লবদি মপুরোইবগী থৱায় কনবা ঙমগনি খল্লি। উনসাতনা য়োল্লবা, শরূ পোলাং ওইরবা মপুরোইবগী হকচাং, অমোনবা ফিনা নান্দুনা সেবা তৌই। কংলবা হকচাংসে নোংমদি মপুং ফানা নোয়খৎলক্তুনা ফগৎলক্কনি হায়বসি সনাহনবীগীদি থাজবনি।

ঙরাংদি ডোক্তরনা অরোইবা মতম থারম্মী। অহিং নোংয়াই মতুংদা থোক্লবা য়াই হায়রমই। অরোইবা মতম লাক্কদৌরি। মচাশিং পূম্নমক মপাগী মনাক্তা কোয়শিল্লগা লৈ।

অরোইবা মতমসিবু হকথেংননা য়েংননবা শক্তিদি সনাহনবীগী লৈতে। তৌরক্লিবা ফীভমদুদা ইবোতোম্বীবু য়েংবা ঙমদে। মনীং থংবা কাদা ফমুং মথক্তা খুকউ শৌদুনা মমায় উপশিন্দুনা ফল্লি। কপ্পগী মখোলসু তাদে।

মচাশিং, মপাগী নাক্তা ইকোয় কোয়না ফল্লি। খরনা মখোঙ নোইরি, খরনা মখুৎ পায়রি। ইবোতোম্বীসু শোন্থরবা মীৎ অনীদুনা মচাশিং পূম্নমক্তা য়েংই, সংসারসি থাদোক্লিংদবগুম তৌই। মমিৎতুনা মাগী নুংশিজরবী সনাহনবীবু অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংনিংদুনা থিরি। উবা ফংদ্রে, তপ্না তপ্না শ্বর লেপখি। মপাগী ফোঙ ফোঙ শারিবা হকচাং কোন্দুনা মচাশিংদু কপখৎনরকই।

কদোমদগীনো, সনাহনবীদু পাখৎনা চেনশিল্লকই। মখুৎতা গঙ্গা জল হাপ্পা কোরীগী পাত্র অমা পায়রি। তপ্না তপ্না মপুরোইবগী চীনবান্দা গঙ্গা জল হৈরি। খোঞ্জেল নীক্লা হায়রকই-

“সে, গঙ্গা জল খরা থকসি”

ফমাংদা বামোন্না লাইরিক হৌখ্রে।

*- নিংথৌখোংজম রঞ্জনা*